হায় কোর্টনা লৈঙাক্তা ...

লামায় ১গী মখা... খুদোংচাদবা অমদি পার্কিং ফি লৌবনচিংবগী থবকশিংগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা পি আই এল অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা পি আই এল নম্বর- ১২ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌখ্রে। লোয়ননা পিটিসন অসি ঙসি চীফ জষ্টিস পি ভি সঞ্জয় কুমারনা লুচিংবা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন য়াওবা দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ৩দা লিষ্ট তৌখ্রে। চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চনা মেট্টর অসি খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল রিনিকা মাইবম এসিষ্ট তৌখি। লোয়ননা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লকখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা মেট্টর অসিগী মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি য়াওনা অপূনবা রেস্পোন্দেন্ট ১০দা নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা মসিগী পাউখুম চয়োল অনীগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

পাউমীশিংনা শিন্থা...

লামায় ১গী মখা... লংশিল্লন্নবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরাল লৈবা মীওই অথুবা মতমদা ফাবীনবা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা হায়জখিবা অদু নুমীৎ ১০ নি শুরবা ফাওবদা ফাবা ঙমদবা অসি লাইবক থীবনি। অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওই ফাবীনবা অমুক হন্না তকশিনবা অমসুং পুং ৪৮গী মতম পীরিবা অসিগী মনুংদা পোক্নফম পাউচেদা শীরিবা মরালগী চপ চাবা ৱারোল ফোঙদোরক্ত্রবদি শীরক্লিবা মরাল অদু য়ুন্স্ফম য়াওদবনি হায়না লৌগনি হায়বা ৱাফমশিং অসিনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফ অমসুং ...

লামায় ১গী মখা... কেথিওস জেমি (জোমি রেভল্যুস্নরি আর্মি- জেদ আর এ) অমসুং কমখানপৌ জৌ (জৌ দিফেন্স ভলন্টিয়র-জেদ দি ভি)না খুৎয়েক পীখি।

নীংশিংবা য়াবদি, য়ু পি এফ, কে এন ওনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কা সূ অসি কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা অহানবা ওইনা খুৎয়েক পীনখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা থা ৬/৬কী ওইনা শাংদোক্তুনা লাকখিবনি।

কেস ৩খক থেংনখি...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ২৯,২৫৩ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৮২১ অমসুং সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনল ৩,৪৩২নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশিংনা ২৮,৮৪০ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৪২৩ অমসুং সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনলগী ৩,৪১৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৮.৫৮ ওইরি। কেস ৪০না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৯ অমসুং সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনল ১১ য়াওরি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈতে। লৈখিদবা মশীংসু ৩৭৩ হেন্দ্রি। লোয়ননা মীওই ৪সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

নাকল অমরোমদা, হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জন্যুৱারী ১৬তগী ঙসি ফাওবদা পূন্না মীওই ৪৮,৮৪৫দা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসি হেল্থ ক্যের ৱর্কর ২৯,৭৩৫ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱর্কর ১৯,১১০নি। ঙসিগী ওইনা পূন্না মীওই ২,৮৯৬তা ভেক্সিন কাপখি। ঙসি ভেক্সিন কাপখিবশিং অসি হেল্থ ক্যের ৱর্কর ১৩ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱর্কর ২,৮৮৩নি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.841984
US Dollar	72.619583
British Pound	102.920128
Australian Dollar	57.974213
Chinese Yuan Renminbi	11.249169
Japanese Yen	0.684522
Malaysian Ringgit	17.978549
Singapore Dollar	55.052611
South Korean Won	0.065355
Saudi Arabian Riyal	19.365222
Thai Baht	2.408873

GAS NEWS

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 07-02-21
B/upto - 08-02-21
Stock 306
7am to 10am
MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to 28/01/2021
Valid from 09/01/2021
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing:8amto12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমার লিটরেরি এৱার্দ ২০২০ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা পীবা মনা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমার লিটরেরি এৱার্দ ২০২০ গী মনা ওকেন্দ্রো খুন্দোংম্না ইবা শৈরেং ‘ঈ তৈরবা থাবল’ দা খূৎশিন্নখ্রে।

হিন্দি পরিষদকী ওদিটোরিওয়মদা পাঙথোকখিবা মনা লান্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মেম্বর জেনরেল কাউন্সিল সাহিত্য একাদেমি অমসুং মণিপুর লেঙ্গ্যুএজ এদভাইজরি বোর্দ ন্যু দেল্লীগী প্রোফেসর জোধচন্দ্র সনসমনা ফোঙদোকখিবদা লাইরিক পাবা অমসুং লৈবগী চাং হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না ৱাৎলে। লিটরেচরগী লৈরিবা লূপ খরা অসি খক্তনা থৱায় য়াওনা হোৎনবা হায়বদু ওইরি।

মীয়াম্না লাইরিক পাবিদ্রবসু অমসুং লাইরিক লৈবিদ্রবসু লিটরেচরগী লৈজরিবা লূপ অসিনদি লেপ্পা লৈতনা লাইরিক পারি অমদি লাইরিকশু লৈরি। ঙসি পীরিবা মনা অসি লাইরিক কয়া পারবা মতুংদা পীখিবা মনা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখিবা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী পেট্রোন মেম্বর ডো. এস মনাওতোননা হায়খিবদা ঙসি লান্থোক্লিবা মনা অসি চহী খুদিংগী পেট্রিওটিক রাইটর্সনা পীবা মনানি। লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি অইবশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরমদি লমদম অমগী কলচর অমসুং লিটরেচরগী ৱাফমশিং অসি অইবশিংনা ইরবা মতম খক্তদা মীয়াম্না খঙবা ঙল্লিবনি। লমদম অমগী লিটরেচর লৈখা তাবা হায়বসি চাওখৎপগী লমজেলদা তুং হল্লে হায়বনি। খুন্নাইগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অইবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু লৈঙাক্না য়েংশিনহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট অমদি হৈঙাং মাইক্রো ফাইনান্সকী প্রোপ্রাইটর কোঞ্জেংবম দিলিপনা স্পিসিএল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপীশিংদা লুপা ৩০০/৩০০ পীবা হৌরগনি: ইমো

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস) : মপুরোইবা লৈখিদ্রবী নুপীশিংদা এপ্রিল থাদগী লুপা ৩০০/৩০০ পীবা হৌরগনি হায়না ৱাহেংবম য়ুমজাও লাইরেম্বী ত্রষ্টি বোর্দ ৱাহেংবম লৈকায় ইম্ফালনা কুমজা ২০১৮ দগী শাবা হৌখিবা ৱাহেংবম য়ুমজাও লাইরেম্বী রিক্রিএসন হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা শগোলবন্দ এ সীগী এম এ লএ রাজকুমার ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ রাজকুমার ইমোনা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল ময়োল মক্তদা লৈরিবা শগোলবন্দ এ সী অসিদা চাওনা অহোংবা লাকপা ঙল্লিবা অসি এ সী অসিগী মীয়ামগা পুন্না চৎমিন্নবা ঙম্বদগীনি। এ সী অসিগী ওইনা মৈ অমদি লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা কয়াসু কোকহনবা ঙল্লে।

লোয়ননা এ সী অসিদা ঈশিংগী পাইপ ফুম্বগী থবকসু চাদা ৯৫ লোইশিল্লক্লে। লেমহৌরিবা অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিনবা ঙল্লগনি। হৌখিবা চহী ১০ অসিগী মনুংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা ঙল্লিবা অসি মীয়াম্না মতেং পাংবদগী ঙমখিবনি। ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ গী মনুংদা শগোলবন্দ এ সী অসিনা হেন্না চাওখৎপা মফম অমা ওইবা ঙম্নবসু হোৎনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱার্দ নম্বর ৭ গী কাউন্সিল্লর রাজকুমার জিটেন, ৱার্দ নম্বর ২৪ গী কাউন্সিল্লর জি বিনো, ৱাহেংবম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডো. লোংজম দিলিপ, ৱাহেংবম য়ুমজাও লাইরেম্বী ত্রষ্টি বোর্দকী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম পৃথিরাজ অমদি বোর্দ অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম জ্ঞানামণিনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওর্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

৪২শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ...

লামায় ১গী মখা... মীয়াম্বু মখোয়গী ঙাক্লৌ ওইনা শীজিন্নবা য়ানবা থাক্লকপা লাংনি। ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না মখোয়গী মীচঙদা লেপত্রবদি কুমজা ১৯৬২গী লানদা মায়থিখিবা অদুগুম্না মতুংগী লানদসু মায়থিগনি হায়বসি মখোয়গী লাল্লোংদা নৈনবা অমনি। মরম অসিদগী ইন্দিয়ানা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্বু প্রো-ইন্দিয়া ওইনবা হোৎনরকপদা অথেনপোৎ কয়া পীশিনবা হায়বসি মশানা তৌদবা য়াদ্রবা থৌরাং ওইরি। আর পি এফকী ৪২শুবা মপোক কুমওনগী পাউজেল অসিনা মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ইরৈবাক মীয়ামগীদমক হেন্না মাঙজিল থানা কখোকপা ঙম্বা, নুংশি-চান্ননা হিংমিন্ননবা অমসুং মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ইরৈচাশিংদা থমজরি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা আর পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খোঙজং শৌগৎতুনা খোঙচৎ চৎখ্রে

ৱাংজিং, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): লৈঙাক্কী কোলেজগী ওজাশিংদা সভেন্থ য়ু জি সী পে এন্দ রেগুল্যেসন, ২০১৮ চৎনহল্লু হায়দুনা ফেগোক্টানা হৌখিবা জন্যুৱারী ১৮দগী সিজ ৱার্ক তৌদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৱাই কে কোলেজ, ৱাংজিংদা তোঙান তোঙানবা কোলেজগী ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফেগোক্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন সোমোরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট কোলেজগী ওজাশিংনা সভেন্থ য়ু জি সী পে এন্দ রেগুল্যেসন চৎনহল্লগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্না থা ৬কী মমাঙদা থাজবা পীখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকত্রিবা ফাওবা ওজাশিংগী খোঙজং হন্দোক্লোই। হৌজিক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদসু লৈঙাক্না তাবীদ্রবদি মসিদগী হেনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্কনি হায়বা ৱাফমশিংসু সোমোরেন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদু লোইশিল্লবা তুংদা শরুক য়াখিবা ওজাশিংনা ৱাংজিং কৈথেল ফাওবা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি।

ফুরুপ ৩৩গী লুচিংবশিং, মীহুৎশিংনা পোপী...

লামায় ১গী মখা... লম্লাইদা, চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোলদগী লাকপশিংনা নম্বোল চীংমাংদা, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলদগী লাকপশিংনা থৌবালদা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর তম্না পুরকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈরাং মখল কয়া ওইনা লৈশাৎ তল্লিবা মণিপুরগী ফুরুপ অয়াম্বগী মীহুৎশিং, লুচিংবশিং অমদি মীয়াম্না পুন্না দ্রগকী মায়োক্তা ৱাশকমিন্নবসি মণিপুরগী পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। মহাক্না অহানবা ওইনা এম এল এ ওইরকখিবা মতম কুমজা ২০০২দা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ পুম্নমক্না মমাঙদা শোয়নখিবা, লান্নখিবা কয়া কাউথোক্লদুনা ঈংনা চিক্লা, মচিন-মনাও ওইনা পুন্না নুংশিননা লৈমিন্নরসি হায়বা প্রাইভেট মেম্বর রিজোল্যুসন অমা এসেমব্লীদা পুথোক্তুনা পাস তৌহনখি। চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা তুংদসু চপ মান্ননা চাউখৎমিন্নবা অমদি নুংশি-চান্নবা পুরক্লবা চীংদা চৎসি হায়বসিনা অহানবা খোঙথাং ওইনা লাউথোকখিবনি। ঙসিদি মতম কুইনা মঙজরকপা মঙলান অদু তাইবং শেম্বা মপুনা থৌজালবীদুনা মঙফাওনবা ঙমগদৌরে।

মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চীঙাক কয়ানা মরম ওইদুনা নহা কয়াগী পুন্সি পীখন্নখ্রবনি। মরম অসিনা মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা ময়াই কাবা চীঙাকশিং অসি মরদ্ধ ফংনা মুখৎতবা য়াদবনি। পোপী থাবনা হিংনবগী পাম্বে ওইরম্বা খুঞ্জা পুম্নমকসু অতোপ্পা হিংনবগী পাম্বে পীগনি। মসিগীদমক বডজেটতা শেল খাক্তুনা থম্লবনি। সেন্টরদসু অহেনবা তেংবাঙ পীবীননবা হায়জগনি। হায়রিবা ইমুংশিং অসি খুলগী নিংথৌশিংগা তান্নরগা মশক খঙদোক্তুনা দি সীগী খুথাংদা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা হিংনবগী অতোপ্পা পাম্বে শোয়দনা পীগনি। লৈঙাক অসিনা চীংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুমসু পায়খৎপা ঙল্লে। কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা টোটি ঈশিং ফংদবা য়ুম লৈহৌদ্রে। ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরম্বা চুড়াচান্দপুর অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদসু টোটি ঈশিং পীবা হৌরে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিং অমদি খুঞ্জাশিংগসু হকথেংননা ৱারী শানখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মৈতৈ লিপুনগী লুচিংবা এম প্রমোদনা হায়খি, ঙসিগী থৌরম অসি লৈঙাক্না ময়াই কাবা দ্রগ থিংননবা চঙশিল্লক্লিবা থৌরাং অসি লমদমসিদা ইপা-ইপু হাক্তক্তগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা ফুরুপচা খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্ননবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা থাঙ্গাল য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে কপিংনা হায়খি, লৈঙাক্না ময়াই কাবা দ্রগ থিংননবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয়সু থৌদাং লৌননবগীদমক থৌরম অসিদা শরুক য়াবা লাকপনি। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীপুম খূদিংমক মশা-মশাগী হিংননবা হোৎনবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি মীয়াম্না চীংদা শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক খনবীবা অসিগীদমক নুংঙাইবা পোকই। ময়াই কাবা দ্রগনা খুন্নাইসিগী মীরোল কয়া মথং-মথং মাঙথরক্কদবনা মসিগী কলহৌনবগীদমক লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগস অসিদা শরুক য়াবা চঙই। ফুরুপ-কাঙলুপ খায়দনা ঙসি অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমিন্নখিবা অসি য়ুনিক ওইবা হিষ্ট্রি অমা ওইনা লৈহৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উখুলদগী লাকখিবা টি এম এন এলগী প্রসিদেন্ট হোপিংসন সিমরেনা হায়খি, পোপী পাম্বী থারিবশিংগীদমক্তা মীফম অসি খন্নবা অসি য়াম্না চুম্মী। সী এম অসি মৈতৈ খক্তগী খনবা নত্তে। মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্কী খনবা মীওইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা তমেংলোংদগী লাক্লগা শরুক য়াখিবা জোইন্ট ট্রাইবস জেলিয়াংরোংগী প্রসিদেন্ট কেনন কামৈ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী লাকখিবা মিজো পিপল কনভেন্সনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল পোলসু ৱা ঙাংদুনা ফজরবা ৱাফম কয়া থমখি।

আর পি এফকী ৪২শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা লূপকী প্রসিদেন্টনা...

ঙরাংগী মখা... চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক ইন্দিয়া অসি মপাঙ্গল কনখৎলক্লিবা অমদি মতম খরগী মতুংদা মালেমগী অহুমশুবা ইকনমি ওইরকপা য়াই হায়না পানরিবা লৈবাক অমনি। মসি য়েংলগা কনাগুম্বা য়াওল্লোয়শিং খরদি ঐখোয়গী নীংতম লাঞ্জং অসি নোংম-নোংমগী চৈথেং ফংলকপা হেনগৎলক্তুনা চঙশিনবদা ৱারগদবা লাঞ্জং অমা ওইনা খনবা য়াওনরক্লি। মণিপুরনা নীংতম্না হিংবগী রাইট লৈ হায়বা ৱাখল্লোন্দা থাজবা থম্লম্বা, অখণ্ড-অহৈ কয়াসু ফীভম অসিনা নোংম-নোংমগী মমাই লৈথোরকপগুম উরি। মীয়ামগী মরক্তসু মপান্থোংগী ওইবা অকে-অমৌ অমদি নুংঙাইথোক্লা হিংবা পুন্সি মহিংদা লুপশিল্লকপদগী নোংম-নোংমগী য়াওল ঈহৌগী মমি শামথরকপগুম্না লৈরি। অদুবু পুম্নমক অসি ওইদুনসু আর পি এফনা চঙশিল্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিগী মায়ওন কৈদৌঙৈদা হোংবা লৈরোই। মরমদি ঐখোয়গী লানগী তোঙানবা লাল্লোং লৈজে অমসুং মদুনা ঐখোয়গী নীংতম লাঞ্জং অসি মীয়ামগা লোয়ননা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনগনি হায়বসিদা অচেৎপা থাজবা থম্লি। ইন্দিয়ানা ৱেসিয়া লমদমগী লালহৌবশিং কুমজা ২০২৪গী মনুংদা লোইশিনবা ঙল্লগনি হায়খিবা অদুগী পাউখুম ওইনা ঐখোয়না মখোয়দা হায়নিংবা চেকশিন ৱাহৈদি ইন্দিয়া অসি মচেৎ তানা কায়খিদনবা হান্না হোৎনখো হায়বসিনি। হৌজিক মখোয়না কা হেন্না লাকশিন্নবা হোৎনরুবদগী প্রো-ইন্দিয়া খম থেংনা ওইরম্বা কাশ্মিরগী লুচিংবা পোলিটিসিয়নশিংনা ফাওবা মখোয়গী মীয়ামগী রাইট কঞ্জনবা হোৎনবদা চাইনাগী ৱাফম পুশিল্লক্লবনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী লুচিংবশিংগী মরক্তসু মখোয়গী ষ্টেটশিংদুদা ইন্দিয়াদগী তোখায় তানিংবগী ৱাখল্লোন লৈনরক্লবদি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ইফোং ফোংনা লাউনখ্রবনি। অদুগীসু মথক্তা ইন্দিয়াগা য়ুমথংননা লৈরিবা লৈবাকশিং মরুওইনা চাইনা অমসুং পাকিষ্টানগা মুক্নবা হেনগৎলক্তুনা মখোয়গী লমনি হায়জরিবা মফমশিং মাঙবা য়াবগী ফীভমসু লৈরি। অমরোমদনা হন্দক হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী ৱাফম পল্লদুনা, ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর, বিপ্লব কুমার দেবনা নেপাল অমসুং শ্রি লঙ্কাগী লৈঙাক ইন্দিয়ানা পায়নবা থৌরাং লৈ হায়খিবা অদু য়েংলগা ইন্দিয়াগী য়ুমথংনবদা লৈবা লৈবাকশিং খূদিংমক্না মখোয়বু চেকশিন্না য়েংশিল্লক্তুনা ইন্দিয়া অসি য়েংথিনবা লৈবাকশিংনা কোয়শিনবা লমদম অমা ওইরকপা য়ারি। মতম অসিদা ভুতান, ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশনা অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী লম খোপচিন থৌরাংবু হকচিন্না লৌদুনা মসিবু মায়োক্নবদা খুদোংচাহন্নবগীদমক মখোয়গা লোয়ননা লৈরিবা ৱেসিয়া লমদমগী লৈবাকশিংনা চঙশিল্লিবা নীংতম লাঞ্জং অসিদা মতেং পাংশিন্দুনা মায় পাকহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

লোইশিল্লকপা ওইনা থমজনিংবা ৱাফমদি, মণিপুরনা ইন্দিয়া লৈঙাক মখাদা লৈরিবমখৈ ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা ফীভম কয়া অসি লোইশিনবা খক ঙল্লোই। লোয় চন্দুনা থল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা খায়বুং খায়বুং তাহনবা অমসুং চুংশিন্নবা য়াদবা ৱাখল্লোন কয়া তোঙান-তোঙান্না শাগৎহন্দুনা অপূনবগী পাঙ্গল লৈহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি লোয় মপুশিংগী হৌনশানি। ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা ফীভম অসিসু মদুমক্লি। হৌজিক চথরিবা কুম পুরবা নাগাগী পিছ টোকনা মণিপুরগী খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং, কাঙলুপ নাইবা লালহৌবা কয়াবু য়োক্তুনা থল্লিবা সূ (সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন) অমদি মঙাক্নহন্দুনা থল্লিবা টেরিটোরিএল কাউন্সীলগী মঙলানদা শাগৎনরিবা ৱাখল্লোনশিং অসি মণিপুরগী তুংগী মরাইবক লেপচনবা হোৎনরকপদা খুরৌ থাংহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শিংচেপ মখলশিংনি। মসিনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নোংম-নোংমগী চিংখায়নবা হেলহল্লক্তুনা অপূনবগী ওইবা ৱাখল্লোন অমত্তা শাগৎপা ঙমহন্দনা লৈহল্লক্লি। অদুবু ফীভম অসিদা ঐখোয়না কুইনা শাংথনা লৈথরক্লবদি অপূনবা খুন্নাইগী শক্তম ঙাকপা ঙম্লক্তবতা নত্তনা ফুরুপশিংগী তোপ-তোপ্পা লৈজরিবা শক্তম খূদিংমক মাঙশিল্লক্তুনা ঐখোয় পুম্নমক ইন্দিয়ন মচাশিংগী মতৌগুম মখোয়গী চৎন-লোনচৎতা হিংলক্লগনি। মরম অদুনা মাঙসু তেন, তুংসু লাং হায়বদু থোক্ত্রিঙৈদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিনহৌদুনা খুন্নাই অসিবু কন্নবা হোৎনহৌবা হায়বসি হৌজিক্তি ঐখোয় খূদিংমক্কী থাদোকফদ্রবা ইথৌদাং ওইরক্লে। আর পি এফনা মতম লৈবা খিবিক্তা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মীয়াম্বু নীংতম লাঞ্জং অসিদা শরুক য়ামিন্ননবা থোঙ লাউনা হাংদুনা লৈ। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীওই কয়া হৌজিক আর পি এফ অমসুং মসিগী লাম্মী পি এল এদা য়াওরি অমসুং ফুরুপশিং অসিগী মীওই কয়া অমসু মণিপুরগী নীংতম লাঞ্জংদা পি এল এ ওইনা থৱায় কৎখ্রে। মণিপুরগী অপূনবা খুন্নাইদা থাজবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিং অমদি লালহৌলূপশিংগা হৌজিকসু পুন্না থবক তৌমিন্নরি। ঙসি ঐখোয়না চঙশিনমিন্নরিবা খোঙজং অসি মণিপুর খুন্নাইবু মশক-মচু থোকপা খুন্নাই অমা ওইহন্দুনা মালেমগী মীয়ামদা মণিপুর কৌবা লৈবাক অমা লৈ হায়বদু মশক তাক্নবনি। মসিদা লোন, লাইনিং-লাইশোন অমদি চাকচা-য়ুথক খেন্নবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে অমসুং মীশিং য়াম্বা য়ামদবদা য়ুন্স্ফম ওইরগা চুংশিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবগী ফীভমসু অমত্তা লৈনদে। ঐখোয় অমত্তনি হায়বসিদা পুম্নমক্না থাজবা থম্মিন্নরগা লৈবাক মীয়ামগীদমক চোংথোক্তুনা ইথৌদাং লৌমিন্নবনি। অদুবু ঙসিদি মসি ঐখোয় খরখক্তগী ওইরবসু থবক চঙশিনমিন্নবা হৌরিবা অসিনা নোংমদি শুংশোয় শোয়দনা ফুরুপ খূদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিল্লক্তুনা চৎমিন্নরক্নবগী লম্বী ওইরক্কনি হায়বসি ঐখোয়গী থাজবা অমনি। মরম অদুনা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনবদা থিন্থহল্লিবা অমদি মসিদা খুদোংচাবা লৌদুনা ঐখোয়বু শোন্থহল্লগা সুপায় পায়শিন্নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মচিন কয়া লোংবা থৌশিলবু মায়োক্নমিন্ননবা অমদি নীংতম লাঞ্জং অসি অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্ননবা ফুরুপশিং খূদিংমক্কী মীয়াম্বু অমুক্কা হন্না কৌজরি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্লেয়র্স ডে-২০২১ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুরী ষ্ট্যুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না শীন্দুনা ঙসি লিলোং চজিংদা লৈবা চজিং কাংজৈবুংদা মণিপুর প্লেয়র্স ডে-২০২১গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দীন স্কুল ওফ এদ্যুকেসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটি প্রো: তখেল্লম্বম ইনাওবী, ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতন, অমুকো এন্দ এন আর সীগী এদভাইজর ৱাইরোকপম গোনেল, মিঙ্গল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সীঐচ ইঙেনথাবা মীতৈ অমদি মণিপুরী ষ্ট্যুদেন্টস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট সজাদ ভুইয়ামযুমনা মরু ওইনা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম এস এফকী প্রসিদেন্ট সজাদনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় লুপ অসিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌরগা মণিপুর প্লেয়র্স ডেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংবু মশা-মঊ ফনা লৈহন্নবা পান্দমদা লুপ অসিনা প্লেয়র্স ডেগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখিবনি।

মহৈরোয়শিংনা লাইরিকখক তম্বগী মহুত্তা হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক শান্ন-খোৎনবগী থবক থৌরমশিংসু শরুক য়াবা মথৌ তারি। লাইরিক হৈরবসু হকচাং ফৎত্রবদি কান্নবা লৈরোই। মরম অদুনা শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দসু মহৈরোয়শিংনা মীৎয়েং থমগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯ দা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৫শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ফংদুনা রাজা বলেন্দ্র সিংহ ট্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখি। মদুবু হরাওবা ফোঙদোকপা ওইনা মতমদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু নিপামচানা ফ্রেবুৱারী ২৫বু মণিপুর প্লেয়র্স ডে হায়না লাউথোক্লমখিবনি।

ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক অমসুং দিমোক্রেটিক ষ্ট্যুদেন্টস এল্লায়ন্স ওফ মণিপুরগী ওইবা ফূটবোল মেটচ অমা পাঙথোকখি।

শান্নবুংদা কম্যুনিটি হোল শাজিনবগী ৱাখল ...

লামায় ১গী মখা... চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিং য়োকখত্তুনা ইন্তরনেস্নেলগী থাক য়ৌনা পুখৎপদা শান্নবুংগী মথৌ তাই। মরম অদুনা শান্নবুংদা কম্যুনিটি হোল শাজিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি।

শান্ন-খোৎনবদা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপদা স্পোর্টসকী এসোসিয়েসন অমসুং ক্লবশিংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। নেস্নেল অমদি ইন্তরনেস্নেল প্লেয়র পুথোকপা ক্লবশিংদা শেলগী তেংবাং পীনবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্না থৌশিল অমা মাঙজৌননা শেমখ্রে।

হৌজিক হৌজিক আই লীগ শান্নরিবা নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাউদা লুপা লীশিং ৫০/৫০ পীবা লৈখ্রে। ক্রিপসা এফ সীগী গলর্স টিমদসু চপ মান্নবা শেনফম অসি পীরগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থাং-টা চাওখৎহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, থাং-টা মশান্না চাওখৎহন্নবা মেট ৩,০০০ লৈদুনা তোঙান তোঙানবা থাং-টাগী ওর্গনাইজেসনশিংদা য়েন্থোক্লগনি। স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা লৈঙাক্না লৌখৎলিবা থৌরাংশিং পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, খুমনলম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম অমসুং হোকি ষ্টেদিয়মদা ফ্লন্দ লাইটিং সিষ্টেম লৈরে। খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা খুঙ্গং খুদিংগী শান্নবুং শেমগৎপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা হোকিগী ওষ্ট্রো টর্ফ লৈরগনি। লৈঙাক্কী থবক লৌবদা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ব তৌবগী মথক্তা ওলিম্পিক অমদি ইন্তরনেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয়শিংদা পীবা কেস এৱার্দকী শেনফম হেনগৎলে। মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা ওলিম্পিয়ন ১৭, অর্জুনা এৱার্দি ১৯, এসিয়ন গেমস মেদালিষ্ট ২৬ অমসুং কম্মন ৱেলথ গেমস মেদালিষ্ট ৩০ পুথোক্লে। মসিগীসু মথক্তা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা শান্নরোয় ৪৩ য়াওদুনা শান্নরোয় খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট ওইবা ঙল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি মদুদি লৈঙাক্না সিলেবসতা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ক্লাস য়াওহন্নবগী ৱাফম খন্নরি। শান্না খোৎনবগী লূপ কয়ানা নহারোলশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবসি পূক্নিং থৌগৎনিঙাইহনি। লৈঙাক্না শান্ন হোৎনবগা মরী লৈনবা থৌরম পাঙথোকপা খুদিংগী ভেটেরান অমসুং হান্না শান্নরম্বা মীওইশিংনা মপুং ফানা কোওপরেসন পীরি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা শান্ন হোৎনবগী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং ওইনরি।

শান্নরোয়শিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামগী লমজেল অমা লমথাখিবগা লোয়ননা খুমনলম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স নিংথিনা য়োকখত্তুনা থম্বগীদমক কমপ্লেক্স অসিগী মেন্টেনেন্স টিমদা মনা পীখি।

সলাইগী ওফিস, বেঙ্ক একাউন্টশিং ...

লামায় ১গী মখা... হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপগী মনুংদা মসিগী অরোইবা হিয়রিং নবেম্বর ৩০, ২০২০ অমসুং দিসেম্বর ৯, ২০২০দা পাঙথোকখি। কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎ অমসুং সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাউনমগী মায়কৈদগী সবমিট তৌরকখিবা ৱাফমশিং তাখি। অদুগা দিসেম্বর ৯, ২০২০দা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা এন আই এগী ক্রিমিনেল আপীলশিং অসিগী ৱায়েলনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

দিভিজন বেঞ্চনা ঙসি পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা এন আই এগী মায়কৈদগী মসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং সিল্ড তৌশিনবা অমসুং বেঙ্ক একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌশিনবগী থবকশিং অসি ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী)গী সেক্সন- ১০২না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী ওন্ন-তৈনবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা থবক্লি হায়খি। মরম অদুনা নবেম্বর ২, ২০২০দা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর-৫৫ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অদুদা খুৎ থিংজিন্নবগী মরম নৎত্রগা জষ্টিফিকেসন অমত্তা লৈতে হায়রদুনা এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মথক্তা স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অদুবু শীংনরকখিবা আপীলশিং অদু দিসমিস তৌরে হায়খি।

ক্রিমিনেল আপীলশিং অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা দিফেন্স কাউন্সেল ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাউনমনা কোর্টতা থমখিবা সবমিসনশিংগী মনুংদা মণিপুরবু ইন্দিয়াদগী তোঙান তারে হায়রদুনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল শেম্লে হায়বগা লোয়ননা নারেংবম সমরজিৎ অমসুং য়াম্বেম বিরেনবু কাউন্সীল অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লে হায়বগী মায়োক্তা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা সূও মোটুদা মীওই অনীসিগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ২২৩(১০)২০১৯নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ১২১, ১২১-এ, ১২৩, ১৫৩(এ), ৫০৫(বি), ১২৪(এ) অমসুং ১২০(বি) গী মখাদা লৌখৎপনি হায়খি। অদুম ওইনমক লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অনী অদুগী একুইজশিংগী মরক্তা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমদি মসিগী স্মার্ট সোসাইটিগী মীওই অমত্তা মমিং পনবা য়াওদে হায়খি। নৌনা শেম্লে হায়খিবা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল অদুগী দিফেন্স মিনিষ্টরনি হায়রিবা নারেংবম সমরজিৎ অসি কম্পেনি অসিগী হান্না মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্বনি। হৌজিক্তি মহাক কম্পেনি অসিগী থবক থৌরমশিংদগী লৌথোকখ্রবনা মহাক্না মরী লৈনদ্রে হায়খি। মসিগী মথক্তা কম্পেনি অসি কম্পেনিজ এক্টকী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা কম্পেনিনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪দা লিংখৎখিবা কম্পেনি অসিনা মতম অদুদগী হৌরদুনা মণিপুরগী স্কিল অমসুং অন-স্কিল লেবররশিংগী থবক পীদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিনা মণিপুরগী থবক ফংদ্রিবা নহারোল ৫০০গী মথক্তা থবক পীখ্রে। থৌওং অসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোলশিংনা গভর্ণমেন্টকী থবক খক্তদা তায়নবগী মহুৎতা মখোয়গী ৱেলফ্যেরগীদমক কম্মিটি অসিনা লৌখৎলকখিবা থৌরাংনি। হায়রিবা কম্পেনি অসিগী থবক থৌরমশিং অসিবু প্রোগ্রাম কয়াদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে। হৌজিকসু মখা তানা কম্পেনি অসিদা নহারোল কয়া থবক পীননবা হোৎনরি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা কেস অসিনা মসিগী থবক থৌরম পুম্নমক থিন্থহন্দুনা থল্লে হায়খি। কম্পেনি অসিগী ওফিস অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং থিংজিন্দুনা থম্বনা কম্পেনি অসিদা ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন তৌরক্তবদগী খ্বাইদগী শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্নহল্লে হায়খি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মরমদগী সলাই এগ্রো প্রদক্টস প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্টরনা এন আই এগী এস পিদা মে ৫, ২০২০দা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী বেঙ্ক একাউন্টশিং থিংজিন্দুনা থম্লক্লিবা অসি লৌথোকপীনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক এস পি অসিনা মে ২৬, ২০২০দা পীরকখিবা ওর্দর অমদা হৌজিক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চথরিবনা হায়জখিবা ৱাফমশিং অদু রিজেক্ট তৌরকখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি হায়রি। অদুবু দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরিবনি হায়দুনা থিংজিন্দুনা থল্লিবা ওফিসশিং অসিদা লৈরিবা পোৎলমশিং অসি মুভেবল আইটেমশিং ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা হৌজিক চহী ১ হেল্লবা ফাওবদা এন আই এগী কেস অদুগী একুইজশিং অদুগা এন আই এনা ফাইল তৌরক্লিবা ক্রিমিনেল আপীলশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটি অনীগগী মরক্তা চিংনবা য়াবা মরী লৈনরম্মী হায়দুনা উৎনবগী মচাক অমত্তসু পুথোকপা ঙমদ্রে হায়খি। মরম অসিনা স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), মণিপুরনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং হাংদোকপা অমদি এন আই এনা ফ্রিজ তৌরকপা বেঙ্ক একাউন্টশিং অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াহনবগী ওর্দর পীখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা সূও মোটুদা লৌখৎখিবা কেস অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্স (এম ঐচ এ)না নবেম্বর ১৯, ২০১৯দা পীরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না এন আই এনা কেস অদু লৌশিনখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ২১, ২০১৯দা রেগ্যুলর কেস নম্বর- আর সী-১২/২০১৯/এন আই এ/গুৱাহাতি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS
FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)
#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 8TH MARCH 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management, Ex Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs. Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011. Resecacal Manhunt Manipur 2014. Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015. Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014, Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up, Miss Ougri Photogenic 2015, Miss Manipur Queen 2017, Miss India Manipur 2017
Computer Courses :
100% Job Placement Assistance
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March